ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯃꯦ ꯲꯲, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯵꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মে ২২, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৫৮ শুবা মশীং

সূ অমসুং সরেন্দর পোলিসী

থবক মতৌসিদি মপাঙ্গল য়োকপদৌনা তৌরে

ইম্ফালদা পাঙথোকপা এন্টি-টেররিজম দেগী থৌরমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা য়াম্না থাজদবা মওংদা ৱাফম অমখক ফোঙদোকখি। ৱাফম অদুদি কুকি লালহৌলুপশিং, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী ওইবা নাকল অহুমগী সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) অসি মায় পাক্ত্রে হায়বসিনি। চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ৱাহন্থোক য়াম্না লৈবা অমসুং নৈননিঙাই ওই। মতম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা এম এল এ ওইরিঙৈদা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) অমসুং খুৎলায় থাদোক্তুনা ঈং-তপ্না খুন্দা লৈতাজরগে হায়না লৈঙাক্তা চঙজরকপশিংদা পীবা খুদোংচাবশিং হায়বদি সরেন্দর পোলিসী অসি মতমগা চূনদ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি। হৌজিক্না চীফ মিনিষ্টর ওইরক্লবা মতমদা মহাক্না সূ অমসুং সরেন্দর পোলিসী অসিনা থোইদোক হেন্দোক্না লো এন্দ ওর্দর লাকশিনবদা কান্নবা ফংলক্তবা উবদগী শেমদোক-শাদোক্লিংবগী ৱাখল্লোন্দা সূ মায় পাক্ত্রে হায়না ফোঙদোকপা ওইরমগনি খল্লি। মশিং খঙদ্রবা লালহৌলূপশিংগী থবক থৌরমশিং য়ারিবমখৈ হন্থহন্নবগী পান্দমদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী পাউতাক মতুংইন্না কুকি অন্দরগ্রাওন্দ ওর্গেনাইজেসন ২৩গা মণিপুর গভর্নমেন্ট য়াওরগা মায়কৈ অহুমগী ওইবা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) চৎনহনবগী ৱাফম লাকখি। ৱাফম অসি কুমজা ২০০৮গী ওগষ্ট ২২দা থবক্তা ওন্থোক্তুনা নুমিৎ অসিদগী কুকি মিলিটেন্টশিংগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন চত্থনখি। সূ তৌনরিবা অসি কাঙবু অনী থোক্না খায়দোক্লগা তৌনবনি। কাঙবু অমনা কুকি নেসনেল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও)নি। অদুগা অতোপ্পা কাঙবু অমনা য়ুনাইটেদ পীপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)নি। মার্দর ওর্গনাইজেসন ওইরিবা কে এন ওদা লালহৌলূপ ১৭ য়াওই। অদুগা য়ু পি এফতনা লালহৌলূপ তরুক পুল্লি। হায়রিবা লালহৌলূপশিং অসিগা লৈঙাক্তা য়ান্নখিবা মতুংইন্না মখোয় মখোয়গী খূৎজু-খূৎলায়শিং নাকল অনীনা ছো পায়নরগা আর্মিগী সেভ কষ্টদিদা থমখ্রে। কাদরশিংসু লৈঙাক্না মশক খঙনা শেম শাখ্রবা দিজিগনেটেদ কেম্পশিংদা লৈনখ্রে।

সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) গী খুৎয়েক পীনখ্রবা তুংদা লালহৌবশিং অদুনা শিজিন্নরম্বা মখল খুদিংমক্কী নোংমৈশিং সেভ কষ্টদিদা থম্নখ্রবা তুংদা মখোয় মশেল হাৎশুনবগী থৌদোকশিং থোরকপদা নোংমৈ শিজিন্নবগী ৱাথোক অমা অমুক থোরকখি। হন্দক্তা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা কে এন এফকী কাদরশিংনা কে আর এগী কাদর অনী ফাদুনা পুরবা তুংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলগা হন্দোক্লম্বগী থৌদোক লৈখি। মসিদসু নত্তনা শেলগী দিমান্দ তৌবা, নমদুনা শেল লৌনবা হোৎনবা অমসুং নেসনল হায়ৱেশিংদা লুট-পাট তৌবগী থবক্তা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন তৌবদা য়াওরিবা কাদর খরা চেন্নে হায়বগী ৱাফমসু লৈ। মসিগীসু মথক্তা সূগী মিংদা মখোয়না লোন্না অমসুং ফোংনা মখোয়-মখোয়গী মপাঙ্গল শাগৎননবা থবক থৌরম কয়ামরুম পায়খৎলকই। য়ু জি ওইরিঙৈদা চঙবা ঙল্লমদবা খুলশিং মখোয়না লৈশিল্লকই অমসুং খুলশিং অদুদগী মখোয়গী কাদরশিং রিক্রুইট তৌবা হৌরকই। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি সূদা য়াওরিবা কুকি য়ু জি গ্রুপশিং অসি এন এস সী এন (আই-এম)না কুকিশিং হাৎলকপদগী মশা ঙাকথোক্লবা লিংখৎখিবা খুৎলায় পায়বা লূপনা অয়াম্বনি। মখোয়দা তোখায়বা ষ্টেট অমা শেম্নবগী নৎত্রগা তোখায়বা লৈঙাক শেম্নবগী দিমান্দ করিসু লৈখিদে। হৌজিক্তা সূ তৌনরবা তুংদা লৈঙাক্তা ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরক্লমদাইসিদা মথাং য়াম্বা পুবা-থাংবা ঙম্লোইদবা দিমান্দ কয়ামরুম তৌশিল্লকখিবনি। পুন্নমক অসি খঙলবা চীফ মিনিষ্টরনা সূ মায় পাক্ত্রে হায়বা ওইরম্বসু য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুর লৈঙাক্না লালহৌবা নমথনবগী মিংদা শেমখিবা সরেন্দর পোলিসীসু কান্নফম খঙদ্রে। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখোয় থবক তৌই হায়বা উৎননবা সরেন্দর দ্রামা শান্নফম ওন্থোরক্লে। লালহৌবা য়াওই নৎত্রগা য়াওদে হায়বা থিদনা থবক ফংহনগনি হায়না থাজহন্দুনা লালহৌবা য়াওদবা মীসু সরেন্দরগী মায়খুম উপ্লগা পুথোরকপগী থৌদোক লৈখ্রে। তশেংনা পোত্থাজরগে খন্দুনা লাল হৌরম্বদগী থোরকপা কাদরশিংনা হাউস এরেষ্ট তৌবদৌনা এ আরগী কেম্পতা থমজিল্লি। মখোয়বু চহী অমা মখায় ফারবা ফাওবা সরেন্দর পোলিসীগী মখাদা কান্নবা পীদে। অসিগুম্বা মওং-মতৌ অসিনা লালহৌবগী ৱাথোকশিং অসি ৱাখৈনবা ঙম্লোই। ৱাখৈনগে হায়বা তারবদি পোলিটিকেল টোক নত্তনা অতৈ লম্বী লৈরোই। চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা পাঙথোক্কে নিংলিবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা লালহৌবগী ৱাথোক অসি ৱাখৈননবা লম্বী থিবসিসু অমা ওইফম থোকই হায়জনিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

রাম কৃষ্ণ মিসন প্রাইভেট স্কুল অসি লম্বোইখোংনাংখোংদা থম্বীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

উরিপোক তোনদোনস্না গভর্ণমেন্ট স্কুল কমপ্লেক্সতা রাম কৃষ্ণ মিসন প্রাইভেট স্কুল অমা থম্ননবা মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক্না থৌরাং তৌরকখিবনি। স্কুল অসি লিংফম মফম চাদে হায়নরিঙৈ চৈরক্তা নংহৌররোই মতাগুম হৌজিক মিসন স্কুল অসিগী সেসন হৌখ্রে। অদুবু স্কুল অসিগী লৈফম ওইগদৌরিবা উরিপোক কেন্দ্র অসিগী অয়াম্বা মীওইশিংনসু মফম অসিদা রাম কৃষ্ণ মিসন প্রাইভেট স্কুল অসি থম্বা পামদে। মসিগীদমক ৱাকৎ মীফম কয়া চত্থখ্রে।

মথক্কী ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা মিসন স্কুল অসিগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রে অমদি পাউচে কয়াদা উরিপোক তোনদোনস্না গভর্ণমেন্ট স্কুল কমপ্লেক্সতা রাম কৃষ্ণ মিসন প্রাইভেট স্কুল থম্বা য়ানিংদে হায়দুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিনবা ঐখোয়না তৎতনা থেংনরি। পুন্নমক অসি য়েংলুরগা ইকায়খুম্নজরিবা উরিপোক কেন্দ্র অসিগী হন্দক্তা ভোট কাবিরক্লবা শ্রীয়ূম্নাম জয়কুমার সিংহ, ওনরেবল দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর, মণিপুরগী মফমদা মখাগী ৱাফমসি থমজরি মদুদি-

ইকায়খুম্নজরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইবিরিবনা জেনরেল ইলেক্সন মমাঙদা ভোট খোম্বদা থম্বীখিবা ৱাফম, 'ঐনা ভোট কারবদি উরিপোক তোনদোনস্না গভর্ণমেন্ট স্কুলগী কমপ্লেক্সতা রাম কৃষ্ণ মিসন প্রাইভেট স্কুল থম্বা য়াহল্লোই' হোংদোক্কনি তাকপীখি। ৱাফম অসি বাচসপতি মনিং লৈকায়গী য়ূম অমগী শুমাংদা ভোট খোম্বগা মরী লৈননা মিটিং অমদা হায়বিখিবনি। হৌজিক্তি ভোটসু কারে, দেপ্যুটি সী এম ফাওবা ওইরে। মরম অদুনা কেন্দ্র অসিদা স্কুল অসি লিংবগীদমক ৱাথোক লান্থোক লাক্লিঙৈ, পার্মিনেল ওইবা মিসন স্কুল অসিগী বিল্ডিং শাদ্রিঙৈদা মফম হোংদোকপীদুনা হান্নগী গভর্ণমেন্টকী স্কুল অসি লেংদনা অদুমক থম্বীনবা থবক ওইনা পাঙথোকপীনবা নীংশিংজরি।

ইকায়খুম্নজরিবা লোকেল এম এল এসু ওইবিরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা উরিপোক মীয়ামগী ইহুল খঙবীদুনা উরিপোক তোনদোনস্না গভর্ণমেন্ট স্কুল কমপ্লেক্সতগী মিসন স্কুল অসি লৌথোকপীরবদি উরিপোক কেন্দ্র অসিগী মনুং চনবা লৈঙাক্কী রেভিন্যুগী মতুং ইন্না খুল নম্বর ৯২-ইরোইশেম্বা, ইম্ফাল ৱেষ্ট মনুংদা লৈবা লম্বোইখোংনাংখোং গভর্ণমেন্ট স্কুল কমপ্লেক্সতা মিসন স্কুল অসি থম্বীনবা নীংশিংজরি। ইরোইশেম্বা খুলগী মনুংদা লৈবা লম্বোইখোংনাংখোংগী পাক চাউরবা স্কুল কমপ্লেক্স অসিদা রাম কৃষ্ণ মিসন প্রাইভেট স্কুল অসি থম্বীবনা অফবা ওইগনি। ইম্ফাল কাংচুপ রোদকী হেক অৱাং থংবদা ইঙান ঙান্না মিসন স্কুল অসি লৈবা উগনি। মসিনা খ্বাইদগীসু মফম চাবা ওইগনি। ইম্ফাল সহরদগীসু খরা লাপথোক্না লৈরগনি। মসিনা উরিপোক্কী, মণিপুরগী মীচম মীয়াম্নসু মফম চাবা মফমদা মিসন স্কুল অসি থম্মী হায়দুনা থাগৎনগনি।

অদোমগী - শামুলাইলাৎপম প্রহলাদ শর্ম্মা
হান্নগী কাউন্সিল্লর, আই এম সী, ৱার্দ নম্বর ২৭

লৌমীশিংগী কাখল

ফৌ পাম্বীগী লায়না তীলনা অমসুং ঙাকথোক্লবা উপায়-৩

ডা: এম থোইথোই সিংহ



Sheath blight Rhizoctonia solani.



Stem rot Sclerotium oryzae.

ফৌখোক মুবী অমসুং ফৌখোক লাংবী লায়না ঃ লায়নাশিংসি লৌবুক্কী চিদাইদা লেপ্লগা য়েংবদদি উদবা য়াম্না নকশিন্না য়েংলগদি উগনি। ফৌরক্তা চঙদুনা ফৌখোকশিংদু চেকশিন্না য়েংবদা নৎত্রগা নাপী পেংবা মতমদা লায়নাশিংসি থেংনগনি। লায়নাশিং অসিনা য়াম্না মাঙহনবা ওইনা উদ্রবসু চরোং চুম্বা ৱাৎপা অমসুং ফৌ মরু চঙবা ৱাৎপনা পোত্থোক য়াম্না হন্থে।

ফৌখোক মুবী (Stem rot), লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই ঃ Sclerotium oryzae.

লায়ওং ঃ থাপ্না য়েংবদা খ্বাইদগী মখা তাবা ফৌনাশিং নাপু মচু চঙবা উগনি। ঈশিং ইমায় মপাদা লৈরিবা ফৌখোক্তা মৈতানমুক মুবা মওং মরিল নাইদবা দাগশিং উগনি। লায়না অসিনা পুমথহনবগী মওং মতৌ অসি পাম্বী অসিমক্কী মনুং থংবা মকাদা ফাওজিনবা ঙম্মী। মতুংদা ফৌখোক য়ৌনা শোকহল্লকই। লায়না অসিনা নারিবা মনা অদুখক কঙশিল্লক্তুনা চরু মাল্লকই। ফৌ পাম্বীনা মপূং মরৈ ফারকপগা লোয়ননা লায়না অসি নাবগী চাংসু হেনগৎলকই।

অসিগুম্বা পাম্বীশিংদগী পুথোরকপা ফৌ চরোংদি য়াম্না পীকই অমসুং থেঙঙি। ফৌ খাওখ্রবা মতুংদা চরুখোকশিংদু য়ুংনা শেগায়দুনা য়েংবদা হঙ্গাম মরুদগী হেন্না কুপ্পা কোকফাই মরু, স্কেলোরোসিয়াশিং উগনি। লায়না অসিগী তোঙানবা লায়ওং হায়ববু অসিগুম্বা স্কেলোরোসিয়াশিং মশীং য়াম্না পুথোকপসিনি। অদুগা অমনা লৌফমদু ফৌ লিংনবা শেম্বা মতমদা হঙ্গাম মরু মানবা স্কেলেরোসিয়াশিং য়াম্না তাউবা উবসিনি।

লায়নাসিনা পীরকপা চৈথেং ঃ লায়না অসিনা ফৌ পাম্বীশিং শোন্থহল্লি। মরু চঙহন্দে। ফৌথোক হন্থহল্লি। করিগুম্বা লায়না অসি ঙন্না তারবদি ফৌহাম শাৎহল্লি। খরা থেংনা তারগনা মরু চঙবা ৱাৎলি। তপ্লপ্পা শিৎপা নুংশিৎনা লায়না চেল্লবা ফৌ পাম্বীশিংবু তুহনবা ঙম্মী।

লায়না অসি তাগনবা ফীভমশিং ঃ ১) ঈশিং তুংগনবা, ঈশিং চিথোকপা ৱাবা মফমশিং, ২) পোটাসকী চাং নেম্বা মফমশিং অমদি ৩) নাইত্রোজেন অমসুং ফোসফোরসকী চাং ৱাংনা হাপ্লগা পোটাসকী চাং য়াম্না নেম্না হাপ্পা মফমশিং।

লৌবুক্তা লায়না অসি হন্না হন্না উবগী মরম ঃ ফৌ পাম্বীনা মপূং ফারকপগা লোয়ননা লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই মখলসিবুসু মশাগী ধারাবু কঞ্জনবগীদমক হঙ্গাম মরু মানবা রেষ্টিং ষ্ট্রকচর ওইবা স্কেলেরোচিয়া কয়া চরুখোক মনুংদা থনম্মী। অসিগুম্বা স্কেলেরোসিয়া কয়াসিনা মথংগী কুম লাকপদা অমুক লায়না শন্দারকই। ফৌ লিংনবা নৎত্রগা হুন্নবগীদমক লৌফমদু ঈনাং তানা নৈবা মতমদা স্কেলেরোসিয়াশিংদু ঈশিং মথক্তা কোইতাউ তাউদুনা লৈ। য়েংবদা নাপী মরুশিং ঈশিংদা তাউদুনা লৈবা মাল্লি। লৌ লিংলবা মতুংদদি তাউরিবা স্কেলেরোসিয়াশিংদু সর্ফেস টেন্সন্না ফৌখোকশিংদুদা নপ-নপ্পুনা লৈখি অমসুং মফম অদুদা ময়োন চোংদুনা মরা ইন্থোরক্তুনা লায়না অসিনা নাবা হৌরকই। অমরোমদা নপহৌদবা তাউদুনা লৈরিবা স্কেলেরোটিয়াশিংদুসু মতোন থোরক্তুনা কোনিডিয়াশিং (কোকফাই মরু) পুথোরকই। মসিনসু ফৌ পাম্বীদা লায়না অসিমক থোকহল্লি। লায়না অসি ফৌ পাম্বীনা নুমিৎ ৪৫ নিমুক শুরকপা হায়বদি মচা পোকপা মতমদা অহানবা লায়ওংশিং উবা হৌরকই।

ঙাকথোক্লবা পাম্বে ঃ ১) নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফোরসকী চাং হন্থবা, পোটাস (এম ও পি) গী চাং খরা ৱাংহনবা। এম ও পি কিলোগ্রাম ৬৫ পরি অমা চাউবা লৌফমদা হাপ্পুনা লায়না অসি হন্থহনবা ঙম্মী। ২) লায়না চেল্লবা চরুখোকশিং মৈ থাদোক্কনি। নিংথমথাদা হঙ্গাম থারমদাইদা চরুখোকশিং মৈ থাদোকপসিসু য়াম্না কান্নবা অমনি। ৩) ঈশিং চিথোকপগী খুদোংচাবা লৈরবদি ঈশিং চিথোক্লবা মতুংদা Hexaconazole 5% মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা ফৌখোক চোৎনবা কাপথোক্লবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা ঈশিং অমুক থাজিনবা য়াই। ৪) ফৌ লিংলমদাই নৎত্রগা হুল্লমদাইদা তাউদুনা লৈরিবা কোকফাই মরুশিংবু জালি অমনা শেল্লবা লোংথ্রাইনা কোত্থোকহৌগনি।

ফৌখোক লাংবী (Sheath blight), লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই ঃ *Rhizoctonia solani.*

লায়ওং ঃ লায়না অসি ফৌ পাম্বীনা মপূং মরৈ ফারকপা হায়বদি মচা পোকপা অমসুং মপাল শাৎলকপা মতমদা নাগল্লি। লায়না অসি মনাগী মখা থংবা শরুক হায়বদি ঈমায়গা নক্লনা লৈরিবা পাম্বীবু য়োমশিল্লিবা মকাগী শরুক্তা অঙৌবা মপাক মপাক ওইনা উরম্বদগী মথকলোমদা অসুম অসুম শন্দোরক্কনি। মওং অমসুং চাউবা মান্নদবা, চোৎ চোৎ লাউনা তোংতক তৌবা উৎ মানবা মচু ওইনা তৌবা দাগশিং লৈবা থেংনগনি। দাগশিং অসি অমগা অমগা শমজিন্নদে। দাগশিংগী মরক্তা মশা ফরিবা মনাগী শরুকশিং লৈবা থেংনগনি। মপূম ওইনা য়েংবদা লিল্লবোব মান্না মরাং মরাং লাংবা ওইনা উগনি। মসিগী লায়ওং অসি সিথ ব্লাইটকী তোঙানবা অতৈ লায়ওংগা মান্নদবা মওংনি। লায়না পল্লবা ফৌ পাম্বীগী মউদা হঙ্গাম মরু মানবা স্কেলেরোসিয়াশিং পকপা থেংনগনি। Sheath blight কী scelerotia না সিষ্টেম রুটকী স্কেলেরোটিয়াদগী চাউবা খজিক হেনগনি অদুবু মশীংদি য়াম্না হন্থগনি। থেংলুবদা লৈবাক্তা কেনখিগনি অদুগা মথং অমুক লায়না অসি শন্দোক্লবগী মচাক ওইনা লৈখি। ব্লাষ্টকা সিথ ব্লাইটকা পূন্না তাবা য়াম্না তোয়না থেংনগনি।

লায়না অসিগী চানবা ঈশিং নুংশিৎ ঃ ১) ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংবা (রিলেটিব হ্যুমিডিটি চাদা ৯০), ২) অহিং অশাগী চাং দিগ্রি সেলসিয়স ২৫ দগী ৩০ ফাওবা লৈবা, ৩) নোং য়াম্না চুবা, ৪) নাইত্রোজেনগী চাং হেন্না লৌফমদা চাইবা, ৫) মণিপুরদা অশিনবা লৌফম্না নম্বা (কোকফাই শুজা অসিগী খ্বাইদগী চানবদি পি ঐচ ৫ নি), ৬) অনৌবা পোত্থোক য়াম্না লৈবা ফৌ মখলশিংসিনা লায়না অসিদগী মশা ঙাকথোকচবা ঙল্লক্তবা, ৭) লৌবুক্তা নাপী য়াম্না লৈবনা লায়না অসি শন্দাকপদা মতেং পাঙই।

করম্না লায়না অসিনা লৌবুক্তা হন্না হন্না উরিবনো ঃ ১) কোকফাই শুজা অসিনা লৌরিদা হৌরিবা নাপীশিংদা হিংদুনা লৈ। কুম নত্তবা মতমদা লৌরিদা হৌরিবা নাপীশিংদু চবাক্লনা ঙৌনা ঙৌনা লৈবা থেংনৈ। মসি নাপীশিংদুদসু সিথ ব্লাইট থোকহল্লিবনি। ফৌগী মতম লাক্লগা ফৌদা অমুক লাকপা ঙমই। ২) কোকফাই শুজা অসিনা স্কেলেরোসিয়া ওইনা লৈবাক্তা হিংদুনা লৈহৌবা ঙমই অমসুং চপচাবা ঈশিং নুংশিৎ ফংলবা মতমদা মতোন থোরকই। মতুংদা পাকথোক চাউথোরক্তুনা (শন্দোরক্তুনা) ফৌ পাম্বীদা য়ৌরকই।

লায়না অসিদগী কন্নবা পাম্বেশিং ঃ ১) নাইট্রোজেন য়াওবা হার চায়বা হন্থহন্দুনা লায়না তাবগী চাং হন্থহনবা য়াই। নাইট্রোজেন তপ্না তপ্না থাদোকপা ঙম্বা হারশিং শীজিন্নবা ফৈ। ২) Hexaconazole 5% নৎত্রগা Propiconazole 25% মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং অমসুং ফৌখোক চোৎনবা কাপথোক্কনি।

অঙনবা কোবীলৈ (থমচেৎমানবী) থাবা

এস সুমঙ্গল সিংহ

কোবীলৈ অসি কোবী মখলশিংগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা য়েঙ্গাং অমনি। কোবী লৈগী গ্রাম ১০০দা য়াওবা চীঞ্জাক্কী মচল খরদি- কার্বোহাইদ্রেট-গ্রাম ৪, প্রোটিন- গ্রাম ২.৬, ফেট- ০.৪, ফাইবর- গ্রাম ১.২, কেলসিয়ম- মিলিগয়াম ৩৩, ফোস্ফোরস- মিলিগ্রাম ৫৭, পোটাসিয়ম- মিলিগ্রাম ১৩৮, সোদিয়ম- মিলিগ্রাম ৫৩, আইরন- মিলিগ্রাম ১.৫, ভিটামিন এ- ইন্টরনেসনেল য়ুনিট ৫১, থাইমিন মিলিগ্রাম- ০.০৪, রাইবোফ্লেবিন- মিলিগ্রাম ০.০১, নিকোটিন এসিদ মিলিগ্রাম ১, ভিটামিন সি মিলিগ্রাম ৫৬ পনবা য়াই। কোবী মখল অসি অঙ্গৈংবা মতমদা চানবা অমসুং অশাবা মতমদা চানবা হায়না চাউরাক্না মখল অনী লৈ। থাবগী মতম খেন্নবগী মতুং ইন্না মখল অহুম নৎত্রগা মরি থোক্লসু খায়দোক্নৈ। মণিপুরগী অঙ্গৈং অশাগী ফীভমদা মরু হুনবা অমসুং লোকপা য়াবা মতমগী মতুং ইন্না কোবীলৈ অসি মখল অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই।

অঙনবা ঃ এপ্রিল- মে- জুলাই-আগষ্ট; ময়ায় ওইবা- জুলাই- ওগষ্ট-সেপ্টেম্বর-ওক্টোবর; অথেংবা : সেপ্টেম্বর- ওক্টোবর-দিসেম্বর- জান্যুৱারি।

অঙনবদা চানবা কোবীবু অথেংবদা থারবদি খূৎলৈ থুনা থাবগা লৈ কাদুনা খূবীমুক্তা চাউবা লৈ কাদুনা তোক্কনি। অমরোমদা অমুক অথেংবদা চানবা মখল অদু অঙনবা মতমদা থারবদি মনা ঙাক্তা সুম পানখৎলক্তুনা অসুম অসুম ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা লৌফমদা মতম শাংনা লৈদুনা লায়না-তিন্না কয়া অমা তাশিল্লকপগী খুদোংথীবগা লোয়ননা লৈ অদু জুগোৎ চানা কাবা ঙমদে। মরম অদুনা কোবীলৈ মখল মুন্না খঙবা তঙাই ফদে। খঙদনা থারুরবদি চানদবা মখল ওইরমদুনা হোৎনজরুবা খূদিংমক অরেম্বা তাখিবা য়াই।

মখল ঃ মণিপুরদা চানরবা অঙনবা এপ্রিল তঙ্খায়দগীনা মে তঙ্খায় ফাওবদা মরু হুনবা য়াবা কোবীলৈ খরদি হাইব্রিদতা আরলি হিমলাতা, আরলি হিমাঙ্গীনি, স্নো হার্ট, শিগ্রা, হ্বাইট সুট: কম্পোজিট অমসুং সিন্থেটিক মখলগদা- আরলি পাটানা, আরলি ইন্দিয়া, পুসা আরলি পনবা য়াই।

চারা শেম্বা ঃ নুংশিৎ নুংশা নীংথিনা ফংবা, লৈহাও চেনবা, নোং হেন্না চুরবসু ঈশিং চেন্থফম লৈবা মফম খন্দুনা চার হুনফম শেমগনি। কোবী চারা হুনফম অদু নীংথিনা খোইদোক্তুনা নৎত্রগা তৌথোক্তুনা নুংশা নীংথিনা চাহন্দুনা মতম খরা থম্বা ফৈ। লৈবাক য়াম্না কূপ্না থুংগাইদুনা ফোলি য়াম্না তাণহঙ্খন্দ্রবসু য়াই। লৈকূপ/ফোলি তানা শেম্বনা ঈশিং চাইবদা লৈবাক ফকচিন্দুনা কোবী মরু মতোন থোকপদা অপনবা ওইহল্লি।

ফৈদোম শেম্বা ঃ ফৈদোমগী অপাকপসি নাকন অনীমক্তগী লাম্বা ফংনবা মিটর অমা পাকহনবনা খ্বাইদগী খুদোং চাই। শাংবদি ফংলিবা লম নৎত্রগা মরু কয়া য়াম্না হুনগনি হায়বদুগী মখা পোল্লি। ফৈদোমগী অৱাংবদি ইঞ্চি তরুক ৱাংবনা খ্বাইদগী ফৈ। মরু গ্রাম ১০না হুনবা ফৈদোমদা (স্কৱার মিটর ১ X ৭) নীংথিনা পাথারবা মনম নমথিদ্রবা ষম্থি ষণয়ুংগী হার নৎত্রগা ভর্মিকম্পোষ্ট কিলো ১০-১৫, মরু হুন্দ্রিঙৈ তরানিমুক ৱাৎলিঙৈদা নীংথিনা লৈবাক্তা তোৎহৌরবদি অতোপ্পা রাষায়নগী হার হাপত্রবসু য়ারে। মসিদসু পাম্বীনা চাউদম থিনবা তারবদি য়ুরিয়া শরুক তরুক, দাইমো শরুক অহুম, পোটাশ শরুক মরি য়ান্নরগা ঈশিং লিটর তরাদা গ্রাম চাম্মা য়াল্লগা চাং মান্ননা চাইরবা মতুংদা ঈশিং পোপ্লবা অমুক্তং চাইবীবা কান্নগনি।

মরুগী চাং ঃ মিটর ১ পাকপা তরেৎমুক শাংবা ফৈদোম অমদা মরু গ্রাম তরা হুনবদা চপ চানা কোন্নগনি। অয়াম্বা কোবীলৈ মখলশিংগীদমক মরু গ্রাম তরানা হুনবা মতমদা পাম্বী লিশিং অমগা চামঙাদগী অনী ফাওবা ফংবা ঙম্মী। শঙম অমদা পাম্বী লিশিং মঙা থাবা য়াই। শঙম অমা থাগে হায়রবদি গ্রাম য়াঙ্খে-হুম্ফু চঙগনি।

মরুদা হীদাক তোৎপা ঃ বাইওগী ওইবা হীদাক শীজিন্নবীগে হায়রবদি শক্তি এ জি, ট্রাইকো এক্স পি, সীদগার্দনচিংবা শীজিন্নবা য়াই। হীদাক মফোলশিং অসিদগী অমহেক্তা লৌরগা মরু কিলো ১গী চাংদা হীদাক গ্রাম ১০ ঈশিং খরা চোৎলগা তোৎলগা উরুমদা কংহল্লবা মতুংদা হুনবা য়ারে। রাষায়নগী হীদাক ওইরগনা সাফ, কাপ্তান, কার্বেন্দাজিম শীজিন্নবা য়াই। বাইওগা রাষায়নগা অনী পুন্না শীজিন্নবা য়াদে। রাষায়নগী হীদাক শীজিন্নবগী খ্বাইদগী লায়বা মওংদি চারা হৌননবা ঈশিং চাইবদা হীদাক য়াল্লগা চাইবসিনি। মমাঙদা থমজখিবা মিটর অমা পাকপা মিটর তরেৎ শাংবা ফৈদোমদুমদা মরু হুল্লবা মতুংদা ঈশিং চাইবদা লিটর নিপানমুক চনবা ঈশিং পেরে অমদা নুমিৎলৈ য়েকপা মৈখেৎ উপু মরৈ অচোনবা অমা য়ান্দুনা নীংথিনা ওৎখায়রগা ফৈদোমদুমা চাং মান্ননা চাইরবা মতুংদা অৱাৎপা ঈশিংনা হীদাক য়াওদনা পোপ্না চাইবীরবদি মখ্বাং পৎপী লায়নাদগী য়াম্না লালয়না ঙাকথোকপা ঙমগনি।

মরু হুনবা ঃ নীংথিনা শেল্লবা ফৈদোমদা ইঞ্চি মরি মরি লাপ্পনা মচিন তুম্বা চৈ অমনা লৈবাক্তু য়াৎতুনা শেমসি। অসুম্না য়াৎলবা পরেংশিংদা চাউরাক্না ইঞ্চি অমা মখায়দগী অনী পাওবা লাপ্পনা মরুশিং হুনসি। মরু হুল্লবা মতুংদা মরুগীং অদু উদনবা মরু হুল্লিবা অকুৎপা পরেংদুগী নাকন্দগী লৈবাক্না খূৎশাগী খূৎতোনশিং শীজিন্নদুনা খরা খরা কূপশিনসি। অসুম্না কূপ্লবা মতুংদা পেরেনা নেমতক্না ঈশিং চাইবীগনি। ঈশিং পোপ্না চাইরবা মতুংদা লীমোনগী বোরা, চরু নৎত্রগা ঈনা কুপ্পীগনি। নুমিৎ হুম্নি শুবদা মচি অমদা হাইদোক্তুনা য়েংবদা মতোন থিনগৎপা উরবদি নুমিদাংৱাইরমদা কূপ্লিবা পোৎ অদু লৌথোকপীবা য়ারে। হৌবা খরা ৱাৎলগনা মথংগী নুমিৎতা হাইদোকসি। চারা হৌরবা মতুংদা অকনবা নোং অমসুং নুংশানা মাঙহন্দনবা ফূট ৩১/২-৪ ৱাংনা খন্দুনা হাইদোক হাইজিন য়ানবা শেম্বীগনি।

থাফম শেম্বা ঃ নোংজুথা ওইবা মরম্না ফৈদোম পাক্না শেম্বা ফত্তে। পরেং অনী থানবা শেম্বনা খ্বাইদগী ফৈ। ফৈদোম খরা ৱাংনা তাখৎতুনা শেম্বীয়ু। ফৈদোমগী অপাকপনা ফূট ৩ অদুগা অশাংবনা লমগী পাক চাউবগী মখা পোনগনি। ফৈদোমশিংগী মরক্তা ফূট ১১/২গী ঈরম থম্বীয়ু।

অরন অকুঙ ঃ পরেংগা পরেংগা ফূট অমা মখায় পরেংগী মনুংদা পাম্বীগা পাম্বীগা ফূট অমা মখায়দগী অনী লাপ্পনা থাবীয়ু।

হার হাপ্পা ঃ হেক থাবগা ঈশিং চাইবা মতমদা ঈশিং লিটর ১দা গ্রাম ১০গী চাংদা য়ুরিয়া য়াল্লগা চাইরবদি খূৎলোনবা থুগনি। মতুং তারকপদা খূৎলোনবা মতুংদা মখোঙ শোমদোকপীরগা মখোঙগী অকোয়বদা মরা শোকহন্দনা হার হাপ্পীগনি। চাংদি, পাত্র অমদা ওল্লগা য়ুরিয়াগী শরুক ৬: দি-এমোনিয়ম ফোস্ফেটকী শরুক ৩: ম্যুরিএট ওফ পোটাশকী শরুক ৪গী চাংদা নীংথিনা য়ানশিন্নরগা পাম্বী অমদা গ্রাম ১০-১২গী চাংদা হাপ্পীয়ু। হার হাপ্লবা মতুংদা নোং চুদ্রবদি ঈশিং পারপ্পা চনশিনবীয়ু।

লায়না তিন্না ঃ কোবীলৈ অঙনবদা লায়না তিন্না খরা তাগল্লি। তাগনবা তিন্নাশিংদি পুকশ্রি হায়না খঙনবা পাম্বীগী মনা অমদি ময়োন চাবা তিন মখল অমা, অশাংবা মনাদা মহুৎ-মহুৎ হুত্তুনা চাবা দাইমন বেক মুথ হায়না খঙনবা য়াম্না থাথিবা তিন অমগা, সূট বোরর হায়না খঙনবা ময়োন্দা মীরাংনা য়োল্লগা ময়োন মনুংদা হুত্তুনা চারগা ময়োন য়াওহন্দনা পাম্বীদু মাঙহনবা তিন মখল অমগা মখোয়শিং অসিনি। মখোয় অহুম্মক অসি মাইকোজাল হায়না খঙনবা কোকফাই শুজানা শাবা হীদাক মখল অমনা ঈশিং লিটর অমদা মিলি. অনীগী চাংদা য়াল্লগা নুমিদাংৱাইরমদা অনীরক নুমিৎ মরিনি কান্নরগা, মনা চোৎনবা কাপথোকপদা শোয়দনা ফগনি। নৎত্রগা বাবা হায়রিবা হীদাক অসি মিলি ১ ঈশিং লিটর অমদা য়াল্লগা কাপসি।

লায়নাশিংগী মনুংদা দাউনী মিলদিউ, সোফ্ট রোট অমদি ব্লেক রোট পনবা য়াই। দাউনী মিলদিউগীদমক্তি হেক্সাকোনাজোল ঈশিং লিটর অমদা মিলিগ্রাম ১গী চাংদা য়াল্লগা মনা চোৎনবা কাপথোকপীয়ু। সোফ্ট রোট অমদি ব্লেক রোটকীদমক্তি বেক্টেরিনাশক অমসুং মেঙ্কোজেব মথংশিৎনা গ্রাম ৫ অমসুং গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা কাপথোকপা কান্নগনি।

মথক্তা থমজরিবা খরা অসি চেকশিন্না হোৎনরবদি কোবীলৈ অঙনবা থাবদা শেন্দোং নীংথিনা লৈগনি খল্লি।